Prepp
Your Personal Exams Guide

**UPSC CSE 2020 MAINS PAPER 7 JANUARY 18, 2021 MANIPURI OPTIONAL PAPER - II QUESTION PAPER**

# MANIPURI
## ( PAPER—II )
## ( LITERATURE )

Time Allowed : Three Hours

Maximum Marks : 250

**ৱাহংশিংগীদমক অথন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইদ্রিঙৈদা মথাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Section A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্নবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরল্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।

# MANIPURI
## ( PAPER—II )
## ( LITERATURE )

Time Allowed : Three Hours

Maximum Marks : 250

### QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Guide

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

*(a)* চকপা শন্ফবী কনানো? মহাকপু করম্না মরাল লৈবী তাহন্দুনা চৈরাক পীখিবনো?

*(b)* মচীন-মনাওশিংগী মরক্তগী করম্না নাউথিংখোংবু মৈতৈগী নিংথৌ ওইনবা খনখ্রিবনো ইয়ু।

*(c)* চকপা মখাও ঙম্বীবু ঔৱাদা থাজখিবগী থৌদোক অসি 'সমসোক ঙম্ব'গী ৱারী পরিংদা কদায় ফাওবা মরুওইবগে ইয়ু।

*(d)* লাইনীং পরে চেৎপা, অচুম্বা চৎপা ধনঞ্জয়না মপুম্নিদা করিগীদমক অৱা-অনা নংখিবগে ইরকউ।

*(e)* 'নুমিৎ কাপ্প'দা হাউনু চাখানুনা করম্বা থৌদাং লৌবগে ইয়ু।

**2.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা' মণিপুরী ইতিহাসকী করম্বা মরুওইবা থৌদোক য়াওরিবগে? মসিবু ঐতিহাসিক কাব্য অমা ওইনা লৌবা য়াত্রা নৈনৌ। 12+8=20

*(b)* "মদাইরেমশিংবু য়িশ্ব খুন্নিংথৌনা তরা চাক পীজনা নোংহামলে।"

য়িশ্ব নিংথৌনা করিগীদমক মনাইশিংবু খামদুনা থল্লিবনো? নিংথৌ অসিগী মশক তাক্লকউ। 15

*(c)* "নমোম ঐঙোন্দা কাওরেন শলশীৱাক, তাইয়ম নাই শমশাংবু ললউনপীকুনো। তরা চাথোপমা, শারেল ৱাল্লোংমা ৱাংলে খুমলোংমাকাপু ললউনপীও।"

ৱাংঙমলোন অসিনা পামজরিবা অউন পোৎশিং অসিগী করম্বা থোইদোকপা মগুণ য়াওবগে হায়বদু মরীমখোঙ লীয়ু। 15

**3.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* "অদোন পুন্সিবও, লাইরেন ইপা মৈতেংঙুবু পাওথেমগে, নমোম খেয়োইরোনগীদমক করোং খুৎখুমগুনো।"

করি মরমদগী ৱাংঙমলোননা মপা মৈতৈনিংথৌবু পাওথেমখিবনো? মহাক্কী মথৌনা-মরৌশিংনা মৈদিংঙু থৱাম্বাববু মতৌ করম্না কনখিবগে ইরকউ। 5+15=20

*(b)* "হয়েং তুবী নঙনা ফম্মোইমিৎতা ফম, ফলাংমৈদা তোংলবদা নশানৌ নোংবাল্লোন পীতঙঙাবী ঐবু লাইরেন সনা নখোঙখাবু ইন্দাঞ্জারকপদা লাইরেন পুক্লীং ৱাকাউঙমগুনো।"

কায়নরমদাই মিকুপ্তা হায়জখিবা মশানৌগী ৱাফম হোংনেময়োই খুঞ্জাউনা কদায় ফাওবা ঙাকপা ঙমখিবগে। 15

*(c)* জনক নিংথৌনা সীতাবু মচা ওইনা করম্না ফংখিবগে? মহাক্না মচানুপীবু থাজখিবগী থৌদোকশিংদু মরীক চুম্না লীরকউ। 5+10=15

Prepp
Your Personal Exams Guide

**4.** ꯕাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* "নুমিৎ অনী চয়রোয়ননা থবী অনী লেংশিননা নুমিৎ চয়রোয়নবনিকিনা তরা লৌচেন পোৎপু অনীরক ওইতে।"

খ্বাই নোংচেংপম নাইচা য়েকমা হাউতংলানা করম্না অৱা-চৈথেং ফংলিবনো? মহাক্না অৱাবসি কোকুবা করম্বা থৌরাং পায়খৎখিবগে। নুমিৎ কাপ্পবা মতুংদা ওইরকখিবা ফিভমশিং অদু ইরকউ। 4+10+6=20

*(b)* 'পাছোইবী খোঙ্গুল'দা ৱাংঙল্লোন পাছোইবীগী শক্তম করম্না য়েকপগে ইরকউ। 15

*(c)* শাবি লাংলেন কোংয়াং ৱাপীহনও অসি কোরৌ নুমিৎমাবু পূক্নীং ঈথক হৈ পিরেম খকমা তা য়াবা খোঞ্জেন থোক্না মীকপলকপা অসিবু ৱারম করিগীনো? কনানা করম্বা মতাংদা হায়খিবনো? মতাংসি য়ৌরকখিবগী থৌদোকশিংদু লীরকউ। 5+10=15

## SECTION—B

**5.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহে *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

*(a)* ডা. কমলনা 'বিশ্ব প্রেম'দা অশেংবা প্রেমিক্কী মশক করম্না তাকপগে পাউখুম পীয়ু।

*(b)* "ঙসিদগী হৌরদুনা তমুবী মৈতে মরক্তগী মৃৎখরে, লোইবী চীংদা ওংখরে।"

তমুবীনা করম্না চীংদা ওংবী ওইখ্রিবনো ইরকউ।

*(c)* "পোকপদগী ৱাংলক্তে, মাবু উরুবদগী
থুংবীরেদো ঐঙোন্দা অৱাৎপগী শরুকতো।"

কনা মশুংলাংগী, করম্বা থৌদোক্তগী মজাইবেম্মা থাদোইনা অৱা মৈশা লাংলিবনো লীরকউ।

*(d)* ফজবা হায়বসি "পোক্তা খরা অদুগা মপূংনা ভাবোক্কী পূক্নীং ৱাখলদা লৈবনি" হায়বদু মণিস্না শাস্ত্রীনা 'ফজবা'দা করম্না উৎনবা হোৎনবগে ইয়ু।

*(e)* "ঘুমোদি মপাগী মচানি, কৈনা তোকপা পোকপা হৌনদে।"

ৱাফম অসিদা অইবনা করি হায়নীংলিবগে হায়বদু লীরকউ।

**6.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* সোরোখাইবম ললিতকী 'অরেপ্পা মরূপ'তা মতম অদুগী মণিপুরী সমাজদা থেংনরিবা সমস্যাশিংগী মঙাল কয়া য়াম্না তাবা উবা ফংবগে নৈনৌ। 20

*(b)* "সমাজগী মনুংদা হিংলিবা অইবনা মহাক্কী কলাগী খৃৎশেম ফাওবদা খুন্নাইগী অচেৎপা চৎনবীগী লীপূন অদুদগী নাছোকচবা ঙমদে হায়বদু 'জহেরা'গী পোলোইদা উবা ফংই।"

ৱাফম অসি অঙাংহলগী মতমগী সমাজগী ফিভমগা মরী লৈননা নৈনরকউ। 15

*(c)* খ্বাইরাকপম্ চাউববু মণিপুরী সাহিত্যদা সমালোচক অমগী মতীকচাবা মফম অমা ফংহনখি লৌনরিবা ৱারেং অদুগী মরমদা করি খঙবগে নৈনৌ। 15

www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Guide

**7.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) "মমা ওইবীগী থম্মোয়না মচাবু কাউওমদবা হায়বসি লৈরমদ্রবদি মহাক মফম অসিদা লাক্লমগদ্রা? লাক্লমলোইদবনি।"

মমা অদো কনানো, করিগীদমক লাক্লিবনো? মফম অদুদা মহাক্না থেংনখিবা ইকায়-নুংশি য়াম্নখিবা থৌদোকশিং অদুগী মরমদা নীরকউ। 5+15=20

(b) 'ঈঙাগী নোং'দা কবিনা কনাদা মরুওইবা মীৎয়েং থমদুনা ইম্ফাল সহরগী শক্তম করম্না য়েকপগে ইরকউ। 15

(c) অপাবশিংগী ৱাখল তত্তনা চিংশিল্লিবা, পূক্নীংদা কোকওমদ্রবা মমি তাহল্লিবদি 'মাধবী'গী 'অরোইবা শরুক' অসিনি। নৈনরকউ। 15

**8.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) "মী কয়াবু হৈশিংলবা শাদুনা নমথাক্ তৌরুব্রা হায়বু, ইশানা ইশাগী মাঙনবা তৌবা ওইরল্লে।"

ৱাফম অসি কনানা করম্বা মতাংদা হায়খিবনো? মহাক্না মতৌ করম্না অৱাবা নংখিবগে হায়বদু মরীক চুম্না ইরকউ। 5+15=20

(b) "মসিদগী কলাবু কোমর্সিয়েল আর্ট অমসুং ফাইন আর্ট হায়না মখল অনীখক থোরকহল্লি।"

কলা মখল অনীসি করম্না থোরকখিবগে অমদি মখোয়বু করম্না মশক তাক্লবা হোৎনখিবগে হায়বদু ইরিক নিয়ুটনগী মতুংইন্না ইরকউ। 15

(c) করি ৱাহৈদগী কংসনা মপা অমসুং মতোনবু কৈশুমশঙদা থমজিন্দুনা অৱাবা পীরিবনো? মরীমখোঙ নীংথিনা পীদুনা পাউখুম পীয়ু। 15

★★★